# এটলেটিকো দি কোলকতানা চেন্নাইন এফ সী মায়থীবা পীদুনা ৩লকশুবা টাইটল ফংখ্রে



মারগাও, মার্চ ১৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২০দগী শান্নবা হৌরকখিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এটলেটিকো দি কোলকতানা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টিম অসিগী ওইনা ৩লকশুবা টাইটল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি ফাইনেল লম্বা তৌনরিবা টিম অনীমক টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ২/২ রক ফংনখ্রবা টিম ঙাক্তনি। চেন্নাইন এফ সীনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা এফ সী গোৱাবু মায়থীবা পীখি। অদুগা এ টি কেনা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সীবু থোইরমখি।

গোৱাগী মারগাওদা লৈবা জ ৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু হৌবগা এ টি কেনা এটেক ঙন্না চথদুনা মেচকী ১০শুবা মিনটতা হরনান্দেজনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। হাফ মতুংদা এ টি কে ইদু গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লবা মতুং চেন্নাইনগী মায়কৈদগী এন ভালস্কিনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১-২দা লৈখি। অদুবু মেচকী ইঞ্জুরি টাইমদা এ টি কেগী হরনান্দেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-১দা ফাইনেল অদু লৌখি।

### ৫শুবা কংলৈপাক থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# ইম্ফাল ৱেষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা পুন্না মেদল ২৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন অমসুং হুয়েল লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসন অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৯দগী হৌরগা ১২ ফাওবা ইবুধৌ মোইরাং হনুবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ৫শুবা কংলৈপাক থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২০গীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা পুন্না মেদল ২৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপামচা শান্নরোয় ৫৪ অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৩৩ পুন্না শান্নরোয় ৮৭না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ফুনবা অমাগী ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংখ্রবশিংদি কে জি ৩৭ মখাগী কাংলুপ্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এন গিপসন, কে জি ৪১ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এম ৱাংথোই, কে জি ৪৫গীদা টি ঐচ গুনবন্তা, কে জি ৪৯দা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস সুনিল অমদি কে জি ৫৩দা ঐচ নিংথোমনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা গোল্ড ১৫, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেদল ২৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। রন্নর্সঅপ্তা ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা গোল্ড ৩, সিলভর ৮ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পুন্না মেদল ১৮ ফংদুনা তাখি।

# সুবাসকী পেনাল্টি মাংজখিবনা নেরোকা অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস): নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী সুবাসনা পেনাল্টি কিক অমা চলহৌদবা অদুনা মরম ওইদুনা ঙসি ক্লব অসিনা হোম মেচ ওইনা চেন্নাই সিটি এফ সীগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সী অমসুং চেন্নাই সিটি এফ সীগী মেচ অদু ভাবোক য়াওদনা শান্নখি। মেচ হৌরকপা অহানবা মিনটতা নেরোকাগী মায়কৈদগী কে হোরামনা অদজানা পীরকবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকখি।

চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী এম থাঙ্গলকাটনা কাটসুমিনা পীরকপা বোল অদু ২১শুবা মিনটতা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইখি। ৩২শুবা মিনটতা নেরোকাগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অদু সুবাসনা চলহৌদবগী মাংজিল থাবা য়াবা খুদোংচাবা মাংজখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা চেন্নাইগী ফিটোনা পাঞ্জল চল্লগা ২-১দা লৈখি। মেচকী অরোইবা মিনটতা নেরোকাগী এদজনা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-২দা দ্রো চৎখি।




কোরোনাভাইরসকী মরম্না আই লীগকী মেচশিং হয়েংদগী মার্চ ৩১ ফাওবা শান্নররোই। লোয়ননা অতোপ্পা লীগ টুর্নামেন্টশিংসু অমত্তা পাঙথোক্লরোই হায়না এ আই এফ এফনা খঙহল্লক্লি।

# ৪শুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): পী টি সী সী পাৎশোই পার্ট ৩না শীনুদনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চথরিবা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ স্কৱার পাৎশোই (এ)না পান্থোইবী এফ সীবু ৪-১দা অমদি এ স্কৱার পাৎশোই (বি)না ই এস সীবু ৭-২দা থোইখ্রে।

# মেরি কোম য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ১২ সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী): জোর্দানগী অমান সিটিদা থা অসিগী ১১দা লোইশিনখিবা বোক্সিংগী এসিয়া ওসিনিয়া ওলিম্পিক ক্বালিফায়র্সতা শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী এম সী মেরি কোম য়াওনা বোক্সর ১২ ঙরাং ন্যু দিল্লি য়ৌরকখিবগা কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০নি সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈহনখ্রে।

পনবা য়াই, অমানগী কম্পিটিসন অদু শরুক য়াদ্রিঙৈগী মমাংওইননা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম অদু ইটালিদা ট্রেনিং চত্থখিবনি। লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পায়খৎলকপা চেকশিন খোঙথাংগী মনুংদা মীরৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিং (ইন্দিয়া/ফোরেন্নর) য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সেল্ফ ক্বারেন্টাইন/আইসোলেসনদা থমগদবনি। কম্পিটিসন অদুদা মেরি কোম সেমীফাইনেলদা মায়থীরবসু টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

# অম্ফাগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী ঙসি ফমখিবা একজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফমনা হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লায়না লায়চৎকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অম্ফাগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোক্লে হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ৱাপোকপী এথলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৮শুবা কংলৈপাক কপ ২০২০ কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ৈথোকচরে। অনৌবা মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা মরী লৈনবশিংনা ৱারৌবিদনবসু ক্লব অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

### ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সীআরপিএফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

# ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৯দগী হৌদুনা নুমিৎ ১৫নি চুপ্পা চথরকপা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ থা অসিগী ১২দা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ সিংহনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা লোইশিনখ্রে। ফাইনেল মেচতা ৱাই পি ঐচ য়ুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।




ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহগী অপোকপী এন জি মেমচা, এ দি জি পি এস ঐচ দৌঙেল, সাই এন ই আর সীগী দিরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱিন অমদি সী আর পি এফ অমসুং বি এস এফকী সিনয়র ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচতা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙনা নিসা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। চেম্পিয়ন ওইখিবা টিমদা শেল ওইনা লুপা ১,৫০,০০০ অমদি ট্রোফি। রন্নর্সঅপ তাখিবা টিমদনা শেল ওইনা লুপা ১,০০,০০ অমসুং ট্রোফি খুৎশিন্নখি। লোয়ননা বেষ্ট গোল কিপ্পর, বেষ্ট প্লেয়র, হায়েষ্ট গোল স্কোরর অমদি মেন ওফ দি মেচ তাখিবশিংদনা শেল ওইনা লুপা ৫০০০ খুৎশিন্নখি।

HL-B/6098/4march to 7april

### ১৭শুবা বিনো দেবী মেমোরিএল মরাথোন রেস

# এম দি সহিদুর রহমননা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): থোঙাম বিনো দেবী মেমোরিএল ট্রষ্ট অমসুং ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব খোঙনাং ফৈদেকপীনা পুন্না শীন্দুনা চহী খুদিংগী ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোরকপগুম চহী অসিগী ওইনা ১৭শুবা থোঙাম বিনো দেবী মরাথোন রেস ঙসি পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা এম দি সহিদুর রহমননা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

মরাথোন রেস অসি থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদগী লমথারগা ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব খোঙনাং ফৈদেকপীগী পুজা গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইখি। রেস অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা লমজেল্লোয় ২৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। লোয়ননা থোঙাম বিনো দেবী মেমোরিএল ট্রষ্টকী ট্রষ্টি মেম্বর টি ঐচ ইবোমচানা লমথাখি।

মরাথোন রেস অসিগী অহানবা পোজিসনদা লীলোং তুরেল অহনবীদগী এম দি সহিদুর রহমননা তাখি। অনীশুবা পোজিসনদা তরুংদগী সি ঐচ ৱিংগৌলুনা ওইরগা অহুমশুবা পোজিসনদনা পুখ্রম্বম মনিং লৈকাইদগী লাইশ্রম ইঙোনা ওইখি।

মকোক মথং তাখ্রবা লমজে ল্লোয়শিংদা মথং শীৎনা লুপা ১০,০০০; লুপা ৫,০০০ অমসুং লুপা ৩,০০০ খুৎশিন্নখি। লোয়ননা লমথুংফম য়ৌরকপা লমজেল্লোই খুদিংমক্তুসু কন্সোলেসন অমদি সাইটেসননচিংবা মনাশিং পীখি।

# ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): ওরিন্টেল ফুটবোল একাদেমি (ও এফ এ) পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মঙাল এফ এনা দ্রেস হাউসপু পাঞ্জল ১-০দা, জি-৫ হৈরোকনা লল্লাই এফ সীবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে। হয়েংগী মেচশিংদা ও এন ৱাই সী অমদি এস ৱাই দি এ অমসুং নোংগ্রেন এফ সী অমদি ৱাই দি সী এল লম্বা তৌনরগনি।

# ৩শুবা কংলা উখোক ট্রোফি টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৪(ঐচএনএস): সী এম সীনা শীন্দুনা য়াইরিপোক চঙমদবী মথক তুরেল মখা শান্নবুঙদা চথরিবা ৩শুবা উখোক ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ সী টিনা দি এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা অদুগা এস আই সীনা সী ৱাই দি ও এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।






# ꯐꯨꯔꯨꯞꯂꯥꯛꯀꯤ ꯁꯂꯥꯏ / মায়চৌ পুরেল ওকপা অমসুং লাইতেঙ্গোল এক্সপিদিসন

মার্চকী চৈচৎ ৮দগী নুমিৎ ৫নিগী জিরি অমসুং কছাড়গীদমক ফুরুপলক্কী সলাই পুন্সিকোন ময়ায় লোইসং, লমসাংগী সলাই পুরেল, সনাকোনুং রোয়েল কাউন্সিলগী মায়চৌ-পুরেল, প্রো: এন জি কাংজিয়া মঙাংবু জিরিবাম অমসুং কছাড় দিষ্ট্রিক্তা লৈরিবা ফুরুপলক্কী সলাই পুন্সিকোনগী তোঙান-তোঙানবা মসা সংলেন জিরিবাম; লক্ষিপুর, ফুলেরতল; বরাক তম্পাক অপুনবা কছাড়, ইচা কোন্সম লৈকায় অমসুং সিঙ্গেরবন পার্ট ৫ হৈস্নাম লৈকায়, লুপলোইশিংনা ওজা ইবুংঙো সনা কোনুংগী মায়চৌ-পুরেল অমুক হন্না থিন্দোকপীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকখ্রে। লোয়ননা মায়চৌ-পুরেলনা লুচিংবীদুনা পিবা চনুরা ১৭, জিরি অমসুং কছাড় সংলেনগী লুপলোই পুন্না ৫২গী এক্সপিদিসন টিম অমনা জিরিঘাটকী লালপানি মনাক্কী লোবোনখাল (থুম খোং) দা লৈবা পুৱারীগী ওইবা মফম লাল-তেঙ্গোল হায়না কৌরম্বদগী লাইতেঙ্গোল হায়না খঙনরিবা মফমশিংবু থিজিন খোঙচৎনা মায় পাক্না পুথোকখ্রে। মফম অসি ইনিংথৌ গম্ভীরসিংনা চহী ৭ খুন্তাকতৈদা ঔৱাগী মখুত্তগী ইরৈবাকপু হঞ্জিহন্নবগী লালগী লাল্লোং সিল্লম্বা, শগোল লান্মী, অরাম্বাইগী অখন্নবা লান্মীশিং শেমগৎ-শাগৎতুনা খূৎশু-খূৎলায় ঔরাইরম্বা মফম ঙসিদি লাইতেঙ্গোল হায়না খঙনরে। মফমসি লালগী লাইরেম্বী ইমা পান্থোইবীগী খুভম, ইনিংথৌনা ফল্লম্বা নুংগী ফাল, লানবনগী চীংশাং, য়েক্লবশিংবু চেকশিন্না শেন্নরম্বা লাল য়েংফম নুংবী - অনীগা লোয়ননা থাঙ চাম্ফম ইকোন (পুখ্রি) সু য়াওনা দিসকোভর তৌবীখ্রে। লোয়ননা খোঙচৎতুদা তেথাও সংবী লক্ষিপুর, ফুলেরতলগী গেষ্ট হাওস শঙ্গাবগা লোয়ননা ইচা কোন্সম লৈকায়দা নৌনা লাইনিংথৌগী সংলেন অমা শাননবগী মেন উরেপসু হুনবীরমখি।



*কছাড়গী লোবোনখালদা লৈবা ইনিংথৌ গম্ভীরসিংনা ফল্লম্বা নুংফাল*

**Sd/- P. Loya Naha**
Secretary, Phuruplakki Salai Punshikon, Imphal

HL-P/6598/15

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৪

১) ঐহাক ফুটবোলগী কোচ অমনি। ঐহাক মঙোন্দগী ফুট ১২ রোম লাপ্না লৈ। ঐখোয় অনীগী মরক্তা ফুটবোল বুট ময়াম অমা লৈরম্মী। ঐনা মঙোন্দা চঙশিল্লম্মী মদু ঐনা বুট অমা কন্না শাওদুনা কাওরম্মী। মদুনা মহাক্কী য়েৎথংবা পীশুমদা পাল্লম্মী। পীশুমদগী ঈ তারকখি। ঐ কনানো?

২) মহাক ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমা ফংখ্রবা মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৩) য়ু এস এনা বেলজিয়মবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ১৩-১১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক মশান্না অমদা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌদোক অসি থোকখিবনো ?

৪) ঐ ফুটবোল য়াম্না পামজৈ, ঐবু ফুটবোল শান্নবগীদমক মালেম অসিনা নুংশিবি। ঐ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা দিগ্রি অমা ফংবা ঙম্লে। ঐগী দিগ্রি অদু ফুটবোল কোচ ওইনবা লৌবা দিগ্রি নত্তে হায়না ঐনা মীয়ামদা হায়জখি। দিগ্রি অসি ফুটবোলগী ফিজিকেল ফিটনেসকী ওজা অমনা পাউতাক পীবদগী লৌখিবনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।





ꯍꯧꯁꯤꯡ ꯂꯣꯟ / HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West

HL/B/6099/4march to 7 May


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com